**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

**১) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবদমক কার্ফিয়ু কোমথোক্লগনি হায়রি।**

**২) ইন্দিয়ান রেলৱেজগী অখন্নবা রেল গাড়ি অমনা ঙসিসু চেং বেগ লিশিং ৩০ রোম মণিপুরদা পুশিল্লকখ্রে।**

**অমসুং**

**৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং গায়ানাগী জোর্জ টাউনদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা প্রোমেনেদ গার্দেনদা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।**

**------**

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবদমক কার্ফিয়ু কোমথোক্লগনি হায়রি। মসি হান্নদি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রম্বনি। অদুমওইনমক ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা জিলাশিং অসিগী মেজিষ্ট্রেটশিংনা নৌনা শেমদোক্তুনা থোকখিবা হুকুমশিংদা করফিয়ু কোমথোকপগী মতম তেনশিন্দুনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবতমক ওইরগনি হায়না ফোংদোরকখিবনি।**

চেং (এল)ঃ  ইন্দিয়ান রেলৱেজগী অখন্নবা রেল গাড়ি অমনা ঙসিসু চেং বেগ লিশিং ৩০ রোম মণিপুরদা পুশিল্লকখ্রে। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- পুন্না দাবা ২৯ য়াওবা চেং খক্তগী অখন্নবা রেল গাড়ি অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫ মিনিত ৫০ রোম তাবা মতমদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন লাম্হোক্তুনা খোংসাং তমা চৎখ্রে।

ঙরাংসু চান-থকবা পোৎলমশিং মপুং ওইনা আলু অমসুং তিলহৌ পুবা দাবা ৮ য়াওবা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী রেলগাড়ি অমা নোনে জিলাগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংখিবনি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ   মণিপুর য়ুনাইতেদ বাই দাইভর্সিতি হায়বা থিমদা থা অসিগী ২৯ দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপা মণিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিভেল ২০২৪ চাদোং য়ু তুরিষ্ট দেষ্টিনেসনদা পাঙথোক্লগনি। ঙরাং ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা রাজ্য অসিগী তুরিজম বিভাগকী ওফিসতা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোরমগী প্রসিদেন্ট ওইবগা লোয়ননা ফেষ্টিভেল কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা অসাং কাছারনা হায়- ফেষ্টিভেল অসি লমদম অসিদা নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী, নুংশিনবা অমদি য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিবু কন্নবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা শরুক য়ামিন্নশি হায়না শ্রী কাছারনা আপীল তৌরি।

নোং (এল)ঃ  মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং চুবদগী লৌ লোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

নোং অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবালনচিংবা জিলাশিংদা লৌ খাওবা অমদি য়ৈবগী থবক্তা চাওনা অকাইবা থোক্লে। খাওদোক্লগা থন্বা ফৌবৈশিং চোৎখিবা অমসুং লোক্কদৌরবা লৌ

চোৎখিবনা নুমিৎ নিনি হুমিদি খাওবা অমসুং য়েবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, রাজ্য অসিগী জিলা ৯ লোমদা ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। জিলাশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, তমেংলোং, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, থৌবাল, ককচিং অমসুং তেংনৌপল জিলাশিংনি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফালগী তুলিহলদা লৈবা তেরিতোরিয়েল আর্মিগী ১৬৫ শুবা ইনফেন্ত্রি বত্তাল্লিয়নদা হয়েং রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা মফম অসিগী অকোইবদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়রি। রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি. প্রমেশ অরাম্বমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- এয়ারপোর্টকী থোকফম গেটতগী মালোম বজারগী ক্রোসিং ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী মখা থংবা শরুক ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগী থিংজিল্লগনি। অদুগা লম্বীগী অৱাং থংবা শরুক্তা টু ৱে রোড ওন্থোক্তুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌগনি। মসি হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অসি লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ কুমজা ১৯৬২ গী নবেম্বর ২১ দা হৌজিকা অরুনাচল প্রদেশকী শরুক ওইরিবা মতম অদুদনা সেলা হায়না খঙনবা মফমদা থোকখিবা ভারত অমসুং চাইনাগী লানদা লৈখিদ্রবা রাইফলমেন রামেশচন্দ্র পান্টবু নিংশিংদুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙরাং মোরেদা লৈবা অসাম রাইফলসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং গায়ানাগী জোর্জ টাউনদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা প্রোমেনেদ গার্দেনদা চত্না মফম অদুদা লৈবা মহাত্মা

গান্ধিগী মীতমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মীতম অসি কুমজা ১৯৬৯ দা মহাত্মা গান্ধিগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা খিনখিবনি। বাপুনা শান্তি অমসুং অহিংশাগী লমদা পীরম্বা খুদোল অদুনা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইবু লমজিংলি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা আরিয়া সমাজ মোন্যুমেন্টতসু লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। গায়ানাদা অরিয়া সমাজগী ইহৌনা চহি ১০০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা কুমজা ২০১১ দা মোন্যুমেন্ট অসি মায়খুম হাংদোকখিবনি। শ্রী মোদিনা জোর্জ টাউনগী মোন্যুমেন্ট গার্দেনদসু চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ান এরাইভেল মোন্যুমেন্টসু য়েংখি। গায়ানাদা লৈবা ভারত মচাশিংনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতি অমসুং চৎনব লোনচৎ কয়া ঙাক্তুনা লৈরম্বগীদমকসু প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

এৱার্দ ঃ কেন্দ্রগী কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা ইং ২০২২ অমসুং ২০২৩ গী উস্তাদ বিসমিলা খান যুবা পুরুস্কার মনাশিং ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোক্লগনি।

লৈবাক অসিগী নহা আর্টিষ্ট ৮২ দা মনা অসি খুৎশিন্নগনি। সঙ্গিৎ নাটক একাদমিনা মনা অসি ভারত রতা উস্তাদ বিসমিলা খানগী মীংদা ইং ২০০৬ তগী হৌনা চহি ৪০ মনুংদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংদা পীদুনা লাকপনি। ঈশৈ, জগোই, ড্রামা, ফোল্ক অমসুং ত্রাইবেল আর্ট ফোর্ম য়াওনা অতৈ পার্ফোমিং আর্টশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা মনা অসি পীবনি। মনা ফংগদবশিংগী মণিপুরদগী ওইনা, ইং ২০২২ দা জগোইদা উরমিকা মাইবম অমসুং নট সংকৃতনদা মোইরাংথেম কেন্দ্রনি। ইং ২০২৩ গী ওইনা মনা অসি ফংগদবশিংগী মনুংদা জগোইদা পুখ্রম্বম রিপা অমসুং সাইখোম পিঙ্কি য়াওরি।

গদকারি ঃ কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মফমশিংদা লম

কোইবশিং লাকপগী চাং হেনগৎহন্নবা এন.দি.এ সরকারনা লম্বী থোংগী ফিভম লেপ্পা লৈতনা শেমগৎলি। গায়াদা ঙরাং লুপা কোতি লিশিং ৩,৭০০ চংনা পায়খৎকদবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট ৬ কী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা শ্রী গদকারিনা হায়- বুদ্ধা সার্কিট অসি ফোর লেন অমদি সিক্স লেনগী থাক্তা শেমগৎলে। মসিগী মথক্তা রাম জনকি সার্কিটসু শেমগৎপগী থবক চখ্খরি। মসি লোইরবদি মফম অসিদা ভক্তশিং অমদি লম কোইবশিংনা লাকপগী চাং হেনগৎলগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী হান্নগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, জিরিবামদা লৈখিদ্রবা মীওই ৯ গী হকচাং নীংশিং খুলদা ফুমবা থৌরাং তৌরে হায়বা পাউ অমসুং ৯ শুবা অমুর ফালকোন ফেষ্টিভেল পাঙথোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসিগা মান্নবা পাউশিংনা হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোর্নিং বেল, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমস পাউচেশিং অসিদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী থমাপোকপীদা অনিরক হন্না নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে, তাঙ্খুল লৌমীশিংদি লৌবুক্তা মখোয়নি খঙনবা তাঙ্খুল ফি খল্লগা লৌ শুরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলে।

চীংগী হেলথ কেয়ারগীদমক সেন্তরনা লুপা ক্রোর ১০৪ লাখ ৬৬ থাদরক্লে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

করফিউগী মতম তেনশিনখিবগী পাউ অমদি প্রিপাক্কী চেয়ারমেন ওইরম্বা ঙমদাইরেন খুমন লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউসু ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

প্রিপাক্কী চেয়ারমেন ওইরম্বা ঙমদাইরেন খুমন লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকপগী পাউ অসি মণিপুর নিউজ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

সনালৈবাক পাউচেদা ব্রোদ বেন্দ ইন্তরনেট সার্ভিস য়াহন্নবা অন্দর টেক্কিং লৌবদা ফোংনা শেল চারে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা চৎত্রিবসি করিগীনো খঙদেঃ অনুসুইয়া হায়বা পাউ পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

৯ শুবা অমুর ফালকোন ফেষ্টিভেল পাঙথোকখিবগী পাউ অসি মণিপুর মেল অমদি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

এন.পি.ও অমসুং কোতু অনিগী মরক্তা এম.ও.য়ু সাইন তৌনখ্রে হায়বা পাউ অমসু হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------